**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 04-03-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

(তাং ০৪-০৩-২০২৫, লৈবাকপোকপা)

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম সরকারদা পীখৎলকপা লেপত্রি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী চীংশাং পরেংশিংদা পাক্তকনা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থত্তুনা মাংহনখ্রে।

**অমসুং**

৩) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-অৰাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তন্লিবা মহৈরোইশিংনা রিসর্চকী থবক্তা হেন্না পুকিং চংবগী তঙাইফদবা লৈ।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**খূৎলাইঃ** মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিং-চুরাচান্দপুর, থৌবাল, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুরদগী তোঙান তোঙানবা মখলগী খূৎশু খূইলাই ৩৩ তোঙান তোঙানবা পুলিস স্তেসনগী খূত্থাংদা মীয়ামা পীশিল্লকখ্রে। চুরাচান্দপুর পুলিস স্তেসনগী খূত্থাংদা পীশিল্লকখিবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা দি.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল মরি, মরু মাপন, সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী এস.এল.আর অমা, কার্বাইন অমা, স্তেন গন অমা, পোম্পী অহুম অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

থৌবাল জিলাগী অহুমশুবা আই.আর.বি কেম্পতা পীখৎলকখিবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা ইটলিনা শাবা নাইন এম এম পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, ইন্সাস এল এম জি অমা, মেগজিন অমা, দবল বেরেল অমা, সিঙ্গল বেরেল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, ট্যুব লোঞ্চর অমা, তিয়র স্মোক সেল তরেৎ, ৱাকি তোকি সেট মঙা য়াওরি।

এস.পি থৌবালগী খূত্থাংদা পীখৎলকখিবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা-এস.এম.জি কর্বাইন অমা, এস.এল.আর অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, তিয়র স্মোক মঙা, বুলেট প্রুফ জেকেট অহুম য়াওরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস স্তেসনগী খূত্থাংদা পীখৎলকখিবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা- নাইন.এম.এম পিষ্টোল অমা, ইন্সাস রাইফল অমা, মরু মঙা য়াওরি। য়াইঙংপোকপী পুলিস স্তেসনদা পীখৎলকখিবদনা- আইটি ৱান এম এমগী মোর্তার বোম অমা, এস.এল.আর অমা, পোম্পী বোম মরি, তিয়র স্মোক সেল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী মরু তরা য়াওরি। পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসনদা পীখৎলকখিবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা- পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, মরু অহুম, বুলেট প্রুফ জেকেট অনি, ফাইবর প্লেট অনি য়াওরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল পুলিস স্তেসনদা পীখৎলকখিবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা- থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অনি, মরু অহুম, ট্যুব লোঞ্চর মঙা অমদি টুয়েল্ব বোল্টকী মরু মঙা য়াওরি। বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল পুলিস স্তেসনগী খূথাংদা পীখৎলকখিবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা- এস.বি.বি.এল নোংমৈ অনি, দি.বি.বি.এল নোংমৈ অহুম, মরু ৩০, বুলেট প্রুফ জেকেট ১২, সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী মরু অহুম, ৱাকি তোকি সেট মরি অমদি ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম এমগী মরু ৫০ য়াওরি।

**রেস(এল)ঃ** মণিপুর পুলিসনা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ- পি.এল.এগী মীওই অনি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ফৈদিঙ্গা ক্রোসিংদগী ফারে। মখোয়দগী মোবাইল হেন্দ সেট অনি, ৱালেট অমা অমদি চাকা অনি পানবা গারি অমা ফাগৎলে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা তেংনৌপল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মনং চন্না লৈবা চীংশাং পরেংশিংদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থত্তুনা মাংহনখ্রে।

মরক অসিদা, ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমসুং ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদগী মথং শিংনা পোৎ পুবা গারি ৩৩১ অমদি ২১৭ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে। গারি চথোক চৎশিনদা হেন্না খূদোং চাহন্নবগীদমক চিংনবা মফমশিংদা অহেনবা সেক্যুরিতি কনভোই থল্লে। চেক পোইন্ট ১০৯ হাংদোক্লুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথুরি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা মথৌ তৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং অমদি লাইন দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌরিবা ওফিসিএলশিংনা মথৌ মশক খঙনা থবক তৌনবা জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নর কৃষ্ণ কুমারনা আপিল তৌরি। জিলা অদুদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা সরকারগী স্কিমশিংগী ফীভম য়েংশিনবগী মীফমদা দিপ্যুতি কম্মিস্নরনা হায়-জিলা অদুদা মথৌ তৌরিবা তোঙান তোঙানবা ওফিসিএলশিং অমদি স্তাফশিংনা জিলা অদুগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা অহেনবা মীয়েং চংগদবনি। মথৌ নিংথিনা পাঙথোকবা হোৎনবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নরগী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু মহাকা ওফিসিএলশিংদা থাজবা পীখি।

**সেনাপতি(এল)ঃ** সেনাপতি ফাইবুং রোদ দিভলপমেন্ট কম্মিতিনা ঙরাং মীফম অমা পাঙথোক্লুনা সেনাপতি ফাইবু লম্বী শেন্বীদবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। লম্বী অসি নিংথিনা শেমবগীদমক ইং ২০০০ দা প্রধান মন্ত্রিগী পেকেজ অমা লাউথোকখি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা ২৫ শুবা বি.আর.টি.এফ অমসুং রাজ্য সরকারনা নিংথিনা শেন্বীদ্রে হায়রি। মরম অদুনা, লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা রাজ্যপালদা তকশিনবা হায়নসু মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি হায়রি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**--সিগনেচর ট্যুন--(গোং)**

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তন্লিবা মহৈরোইশিংনা রিসর্চকী থবক্তা হেন্না পুকিং চংবগী তঙাইফদবা লৈ। সরকারনা রিসর্চ তৌরিবশিংবু নিংথিনা অমদি থৱাই য়াওনা রিসর্চ তৌবা ঙমবা নেসনেল রিসর্চ ফন্দ লিংদুনা মখোয়দা শেনফম কয়া পীরি।

মহৈরোইশিংনা মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা থৱাই য়াওনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি। নিউ দেল্লিগী রাস্ত্রপতি ভবনদা ঙরাং পাঙথোকখিবা নুমিৎ নিনিগী বিজিতরস কনফরেন্স হৌদোকপগী থৌরমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিগী চাউখৎ খোঙথাং অসি অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিংদা য়ুমফম ওই। মরম অদুনা, লৈবাক অসি চাউখৎনবা হোৎনবদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তন্লিবা মহৈরোইশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। লৈবাক অসিগী মহৈরোই কয়া মালেমগী তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা মকোক থোংবা থৌদাং কয়া লৌদুনা মখোয়গী হৈ শিংবা কয়া পুথোকপা ঙল্লে। মসিগীদমক লৈবাক অসিনা চাউথোকচবা পোকই হায়দুনা শ্রীমতি মুরমুনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--মুরমু**

**পিএমঃ** লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা তুরেলশিংদা হৌজিকসু দোলফিন লিশিং ৬,৩২৭ লৈরি হায়রি। তোঙান তোঙানবা জিলা ৮ গী তুরেল ২৮ দা দোলফিন মশিং থিবগী থবক চথখি। মদুগী রিপোর্ট প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং ফোঙখ্রে। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না উট্টর প্রদেশনা খ্বাইদগী দোলফিন মশিং য়ামা লৈবা রাজ্য ওইরি। বিহার, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং অসামনা উট্টর প্রদেশকী হেক মথংদা খ্বাইদগী দোলফিন য়ামা লৈবা রাজ্যশিং ওইরি। দোলফিনবু ঙাকশেন্দুনা থমবা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম কয়া পাঙথোকপগী তঙাইফদবসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোঙদোকখি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**

**হৌজিক খাঙেম্বম জেমস লৈরে--**

**--জেমস--**

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম সরকারদা পীখৎলকপা লেপত্রি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী চীংশাং পরেংশিংদা পাক্তকনা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ান্থত্তুনা মাংহনখ্রে।

**অমসুং**

৩) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তল্লিবা মহৈরোইশিংনা রিসর্চকী থবক্তা হেন্না পুকিং চংবগী তঙাইফদবা লৈ।

**--পাউ লোইজরে--**